# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 28-05-2026)**

**ইদ (এল)ঃ** ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী কুম্মৈ-ইদুল জহা ঙসি পাঙথোক্লি। কুম্মৈ অসি অয়ুক অঙনবদগী হৌদুনা লাইনিং লাইশোলগী থৌরমশিংগা লোয়ননা রাজ্য অসিদা খুন্দারিবা ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংনা পাঙথোক্লি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা, মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা, মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ, উপ মুখ্য লোশি দিগো, গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম, এম.এল.এশিং-থোঙাম বসন্ত, কোংখাম রোবিন্দ্রো, সৈখ নুরুল হাসন, মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতি, শিবা সেনা মনিপুর প্রদেস য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরি।

ইম্ফালগী গোলাপতি জমা মসজিদা অয়ুক পুং ৮ দা ইদুল জহাগী নমাজ পাঙথোক্কনি। সদর বজার মসজিদতা অয়ুক পুং ৮ মখায়দা অমসুং বাবুপারা মসজিদতনা অয়ুক পুং ৯ মখায়দা নমাজ পাঙথোক্কনি হায়রি।

**ফেষ্টিবেল(এল)ঃ** ১৬ অমসুং ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্ড ২০২৪ অমসুং ২০২৫ য়েন্থোক্লগনি।

পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী পেলেস ওদিটোরিয়মদা এৱার্ড য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি অমসুং হয়েং পাঙথোক্কনি।

থৌরমদুদা ১৬ শুবা লাইফ টাইম এচিপমেন্ট এৱার্ড, মেকঅপ অমসুং আর্ট দাইরেক্তর-ঙাংবম স্বারনজিৎতা পীরগনি অদুগা ১৭ শুবা লাইফ টাইম এচিপমেন্ট এৱার্ডনা একাডমীসিয়ান, ফিল্ম মেকর অমসুং স্ক্রিন প্লে রাইটর-অরাম্বম লোকেন্দ্রদা পীরগনি। মনা য়েন্থোকপগী থৌরমদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালা, মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ অমসুং আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি-খুরাইজম

লোকেন সিংহ শরুক য়ারবা য়াই।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা আইন কায়বা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী এরিয়া দোমিনেসন য়াওনা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং লেপ্পা লৈতনা লৌখৎলি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং লমলোং এরিয়াদগী লালহৌবা অমা ফারে। মীওই অসি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীওইনি। মীওই অসিদগী ফিশাকোন ১৮ ফাগৎলে। ফারবা পোৎলমশিং অসি মীয়ামদগী নমদুনা লৌবা ওইরম্বা য়াই হায়রি। পাউ অদুনা মখা তানা হায়-মীওই অসিদগী নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, নাইন এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু অহুম ফাখি।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিসনা মীওই অনি পল্লেন এরিয়াদগী য়ুঙাং অমসুং য়ুঙৌশিং ফারে। মীওই অনি অসিদগী তোঙান তোঙানবা য়ুঙাং বোটল ৪৮৮ অমসুং য়ুঙৌ লিটর ৩৯৭ ফাখি।

**কল্যানঃ** কেন্দ্র সরকারনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মসিগী মনুংদা প্রধান মন্ত্রি গরিপ কল্যান অন্ন য়োজনা অসিসু অমনি। য়োজনা অসি কোবিদ নাইন্তিননা মরম ওইদুনা কুমজা ২০২০ গী মার্চতগী হৌখিবনি। হৌজিক ফাওবদা মীওই কোতি ৮০ হেন্না নপসাগী মখাদা মীওই অমমমদা চেং কিলোগ্রাম মঙা-মঙা সরকারনা ফংহল্লি। মসি কেন্দ্রদা চহি ১২ মপুং ফারবা এন.দি.এ. সরকারনা পায়খৎপা প্রধান মন্ত্রি গরিপ কল্যান অন্ন য়োজনাগী মখাদা পায়খৎপা খোঙথাং অমনি। য়োজনা অসি কোবিদ নাইন্তিন লায়চৎনা মরম ওইদুনা অৱা চৈথেং নংলবা মরুওইনা লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈবা ইমুং মনুংশিংগীদমক কুমজা ২০২৪ গী জানুৱারী অমদগী চহি মঙা শাংদোকখ্রে। হায়রিবা চহি মঙা অসিদা সরকারনা লুপা কোতি লাখ ১১ লিশিং

৮০ হেন্না চাদিং তৌগনি।

**এসআইআর (এল)ঃ** চান্দেল জিলাগী ওইনা ইলেক্তোরেল রোল স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) ২০২৬ কী বি.এল.ওশিং, সুপরভাইজরশিংগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম ঙরাং দিপ্যুতি কম্মিস্নার ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা চান্দেল, চকপিকারোং অমসুং খেংজোই সব দিভিজনগী এস.দি.ও-ই.আর.ও . য়াওনা ওফিসিএল ৯৫ হেনবনা শরুক য়াখি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** অনাল নাগা গভরমেন্ট ইমপ্লোয়িজম ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন-চান্দেলনা শিনদুনা চান্দেল জিলাদা লৈবা অনাল কম্ম্যুনিতি মহৈরোইশিংগী ওইবা কেরিয়ার গাইদেন্স সেমিনার অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু চান্দেলগী পনচাল কম্ম্যুনিতি হোলদা অনাল লেনরুল পাংপি হেদক্কাটরগা খুৎশমনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

**পিএমঃ** স্বাস ভারত মীসন টু পোইন্ট জিরো নীংথিনা পায়খৎনবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি।

ন্যু দিল্লিদা ৫১ শুবা প্রগতি মীফমদা শরুক য়ারদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-সোলিদৱেষ্ট মেনেজমেন্টকা মরী লৈনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ৱেস্ত প্রোসেসিং প্লান্ট অমসুং গোবরধন প্লান্টস অথুবা মতমদা লোয়শিনগদবনি। প্রধান মন্ত্রিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা রাজ্য ৯ দা লুপা কোতি লিশিং ৩০ চংনা পায়খৎলিবা মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং-রেলৱে, পৱার অমসুং লম্বী থোংগী মতাংদা নৌহৌননা য়েংশিনখি। সহরগী লমশিংদা রুপ টোপ সোল্লর শিজিন্নবা হেনগৎহন্নবগী থবকসু প্রধান মন্ত্রিনা খঙহনখি। মহাকা হায়-রুপ টোপ সোল্লর অসি মৈগী বিল হন্থহন্নবা অমসুং ইনর্জি সেক্যুরিতি ফগৎহনবগা লোয়ননা য়ুমথোং খুদিংদা ক্লিন ইনর্জি ফগৎহন্নবা মীসন মোট ওইনা পায়খৎপগী

তঙাইফদবা লৈ।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরুমনা হায়রি-লৈবাক অসি খুমাং য়াংশিন্না চংশিন্নবা হোৎনবদা দিবলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইর্ষ্টন রিজন (দোন্নর) কৈদৌনুংদসু হুন্দোক্লম্বা য়ারোই।

গেংতোক্তা পাঙথোকপা সিক্কিম য়ুনিভরসিতিগী তরেৎশুবা কনভোকেসন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা রাস্ত্রপতিনা হায়-লৈবাক অসি চাউখৎনবা হোৎনবদা মহৈরোইশিংনা অমগা অমগা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। কুমজা ২০১৬ তা সিক্কিমনা অহানবা ওর্গানিক ষ্টেট ওইখিবা অদু নৌহৌননা নিংশিংলদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-চাউখৎপা অমসুং মহৌশাগী ফিভম য়োকখৎতুনা থম্বা হায়বসি পুন্না চৎমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বদু সিক্কিমনা উৎলি।

রাস্ত্রপতিগী নুমিৎ হুমি খোঙচৎকী ঙসি অরোইবা নুমিত্তা গেংতোককী পলজোর স্তেদিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা সিক্কিম পুলিসতা প্রসিদেন্টস পুলিস কলর খূৎশিন্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ইন্টরনেসনেল বোর্ডরগী কিলোমিটর ১৫ ফাওবদা লৈবা ইলিগেল ষ্ট্রকচর খুদিংমক লৌথোকবা হোম মিনিস্তর অমিত সাহনা খঙহনখিবা অমসুং দেমোগ্রাফিক চেঞ্জ অমদি ইলিগেল ইমিগ্রেসন চহি অমগী মনুংদা রিপোর্ট পীরক বা খঙহনখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংদা অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, মনিপুর মেল, গানফিয়ু মেল অমসুং

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস পাউচেশিং অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইন্টরনেসনেল বোর্ডরদগী কিলোমিটর ১৫ ফাওবদা লৈবা ইলিগেল ষ্ট্রকচর খুদিংমক লৌথোকবা য়াথং তাউথখ্রে, হোংলক্লিবা দেমোগ্রাফি য়েংশিন্নবা কমিত শেম্লকপা পুৱারী ওইহৌরগনি-খেমচান্দ হায়বা পাউ অমসুং নোংমৈ মরক্তা কুকি অমদি নাগা ফুরুপ অনিগী চিনগী লানসু লেপত্রি হায়বসিনা সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ইরাংদা সুপ্রিম কোর্টনা হায়-কেসশিংগী ত্রাইয়েল য়াংশিলহনবা মথৌ তায় হায়বসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পেত্রোল লিটর অমদা লুপা ১১২ পৈশা তরুক য়ৌরবা য়াই হায়বা পাউ অমসু সঙাই এক্সপেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

রিজনেল পার্টি শেম্লবসু পার্টি অদুদা হুরানবা এম.এল.এ. য়াওখ্রবদি কান্নরোই হায়বসিনা পোকফম পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু তোঙান মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মনিপুরদা মীওইবগী হক খোঙ্গাউনবগী থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসিগী মতাংদা এন.ঐচ.আর.সিগী চেয়ারপার্সনদা এম.পি.সি.সিনা ৱাকৎখিবগী পাউ অমসু নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি মনিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ষ্টেট খরদা বি.জে.পিনা পৱার পায়নবা হোৎনখিবগুমা মনিপুর ইরাংগী ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনরম্লবদি ইং তপ্লমগনি হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

তাংখুল নাগালোংনা কাংপোকপী অসি দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা মশক খঙদে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।